

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, OCTOBER 01, 2018 PAGE 7



*কানাদাদা পাঙথোকখিবা এস্পিন কপ স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ্তা ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন ইজিপ্তকী মোসটাফা অসালবু মায়থিবা পীদুনা ৭শুবা পিএসএ টাইটল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী স্কৱাস শান্নরোই ভিক্রম মলহোত্রা*

*১০-রেদ সুকরগী সেমি ফাইনেলদা আয়রলেন্দগী ব্রেন্দন ও' দোনোঘুগী মখুত্তা ফ্রেম ০-৫ দা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌরবা ১৯লক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী পনকজ অদভানি*

## হোক্কি ইন্দিয়ানা ব্র্যমেন্স নেস্নেল কেম্পকিদমক প্রোবেবল লিষ্ট লাওথোকপদা মণিপুরগী সুসিলা অমসুং সুমনগী মমিং য়াওরে



*পুখ্রম্বম সুসিলা চনু (ওই) অমদি সুমন দেবী থৌদাম*

*ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ৩০ঃ*

হোক্কি ইন্দিয়ানা ইন্দিয়াগী নুপী টিম শেম্মনবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া বেঙ্গলুরু কেম্পসতা পাঙথোক্কদৌরিবা নেস্নেল কেম্পতা শরুক য়াননবা শান্নরোশিংগী মমিং লাওথোকপদা মণিপুরগী সুসিলা চনু পুখ্রম্বম অমসুং সুমন দেবী থৌদামগী মমিং য়াওরে।

বেঙ্গলুরদা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌগদৌরিবা নেস্নেল কেম্প অসিগীদমক মমিং য়াওরবা শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়া টিমগী চীফ কোচ জোর্দ মারিজনেদা রিপোর্ট তৌগদবনি। হোক্কি ইন্দিয়ানা থোকখিবা চেরোলদুদা চহীসিগী অর্জুনা এৱার্দ ফংখিবী শান্নরোই সাভিতা পুনিয়া, রাজানি ইটিমারপু, স্বাটি, চননচল, সোনাল মিঞ্জ অমসুং জসপ্রীট কোরসু য়াওরি।

দিফেন্দর ওইনা শান্নগদবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা দীপ গ্রেস এক্কা লাক্রা, সুসিলা চনু পুখ্রম্বম, গুরজিট কোর, রাসমিটা মিঞ্জ, সুমন দেবী থৌদাম, দীপিকা, নীলু দাদিয়া, মাহিমা চোধরি, কানিকা রাজ, মনমীট কোর, এস পি ক্রুথিকা অমসুং নিসানি।

মীদ ফিল্ডরশিংগীদমক খনগৎলবা শান্নরোইশিংদি নিক্কি প্রধান, মোনিকা, লিলিমা মিঞ্জ, নামিটা টোপ্পো, নেহা গোয়ল, উদিত্য, মনপ্রীট কোর, জ্যোটি, মাইত্রি রামৱালা, অনুজা সিংহ, অনাজালি ঐচ আর, শ্যামা টিদগাম, সোনিকা, পুজা য়াদব অমসুং কারিসমা য়াদবনি।

ফোর্দৱাদতা শান্নগদবা শান্নরোইশিংগীদমক খনগৎলবা শান্নরোইশিং অদুদি স্কিপ্পর রানি রামপাল, লালরেমসিআমী, নবনীট কোর, নবজোট কোর, রাজৱিন্দর কোর, ভন্দনা কাটারিয়া, অনুপা বারলা, প্রিয়ানকা ৱানখেদে, প্রীটি দুবে, রীনা খোকর, সিদ্দি সিংহ, লীলাভাথি মাল্লামাদা, জায়া, সোউন্দরয়া য়েন্দেলা অমসুং বিরাজানি এক্কানি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিম অসিনা চহীসিদা পাঙথোকখিবা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমসতা মরীশুবা মফম কনখি, কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদনা রন্নরর্স অপ টিম ওইখি, লন্ডনদা পাঙথোকখিবা ব্র্যমেন্স ৱার্ল্ড কপকি মকোক থোঙবা ট্রিট নিপানগী মনুং চনখি অমসুং হন্দক্তা জকার্টাদা পাঙথোকপা লোইশিনখিবদা ঙাইরিবা এসিয়ান গেমসতনা সিলভর মেদল ফংখি।

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিমনা টোকিয়ো ওলিম্পিক্সতা অহেনবা মীৎয়েং থম্লিবনা বেঙ্গালুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেস্নেল কেম্প অসি য়াম্না মরুওইবগী মরমদি কেম্পসিদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিংগী পর্ফোমেন্স নিংথিনা য়েংশিন্দুনা অফবা টিম অমা শেম্মনবনি।

### *ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিম টোপ্সকি মনুং চনগদৌরি*

*ইন্দিয়াগী হোক্কি টিমগী অফবা দেভলপমেন্ট অমা ওইনা, ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা শেহ্নং পুথোকপা প্রোগ্রাম ওইরিবা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম (টোপ্স)দা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিমসু য়াওরবা য়ানা লৈরে হায়না পাউগী লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি। পাউগী লিখুন অসিনা মখা তানা হায়রিবদি ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিমনা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা সিলভর মেদল ফংখিবদুগী অৱামল ওইনা টোপ্সতা কোনশিনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনি।*

*ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসি এনুয়েল কেলেন্দর ফোর ট্রেনিং এন্দ কম্পিটিসন্স ( এসিজটিসি)দগী শেহ্নং ফংলি। থাগী ওইনা লুপা ৫০,০০০গী এলাৱেন্স টোপ্সকি মখাদা পীরিবনি।*

## ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮-১৯ সিজনগী অহৌবা মেটচতা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা এটলেটিকো দি কোলকতাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা এটিকেগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*কোলকতা, সেপ্টেম্বর ৩০ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮-১৯ সিজনগী অহৌবা মেটচতা মমাঙগী চেম্পিয়ন এটলেটিকো দি কোলকতাবু অনীরক রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রবা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

৫রকশুবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮-১৯ সিজন অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন এটলেটিকো দি কোলকতাবু অনীরক রন্নর্স অপ তাখ্রবা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা কোলকতাদা লৈবা সোল্ট লেক ষ্টেদিয়মদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখি।

সিজন অসিগী অহানবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ হেক হৌরকপদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি। মেটচ হৌদোকপগী বোল অদু ইন্দিয়ান এঠলেটিক্সকী গোল্ডন গর্ল হিমা দাসনা প্রজেন্ট তৌখি।

শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা লালুৱাথারনা পীরকপা ক্রোস অমা টিমমেট মাটেজ পোপলাটনিকনা হেদ্দিং তৌশিনবদা খজিক্তং থৈদোক্তুনা চৎখিবদগী পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা মাঙজখি।

শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা এটিকেগী শান্নরোইশিংনা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা কোর্নর অমা ফংখি। কাউরকখিবা কিক অদু মেনুয়েল লানজারোটনা হেদ্দিং তৌশিল্লকপদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী গোলকিপর মোইরাংথেম ধিরজ সিংহনা ঙাকথোকখিবদগী পাঞ্জল অমা সেভ তৌবা ঙমখি। টিম অনীনা অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদু শান্নরকপদসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মদনা লাকখ্রবা মতুং শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা চথ্নরকপা এটেক অমদা মাটেজ পোপ্লাটনিকনা সিজন অসিগী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা য়ুম্বু ওইখিবা এটিকেবু ১-০ দা হেন্দুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা ৮৬শুবা মিনটতা মখা তানা চথ্নরকখিবা এটেক অমদা স্লাভিসা ষ্টোজানোভিসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়ান সুপর লীগ সিজন অসিগী অহানবা মেটচ অদু কেরলা ব্লাষ্টর্সনা মমাঙগী চেম্পিয়ন এটলেটিকো দি কোলকতাবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখি।

এটলেটিকো দি কোলকতানা মখোয়গী অনীশুবা মেটচ নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকা ওক্তোবর ৪ দা গুৱাহাটিদা শান্নরগনি।

## আইসিসি ওদিআই রেঙ্কিংদা রোহিট শর্ম্মা অমসুং কুলদিপ যাদব হাইগৎখ্রে

*দুবাই, সেপ্টেম্বর ৩০ঃ*

ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) না ঙসি থাদোরকখিবা ৱান দে ইন্টরনেসনেল (ওদিআই) গী বেটসমেন অমসুং বোল্লিংগী ওইবা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন রোহিট শর্ম্মা অমসুং বোল্লর কুলদিপ যাদব কেরিয়রগী খ্বাইদগী ৱাংবা মফমদা হাইগৎখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোহলি পোথাহন্দুনা টিম অসিগী কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মানা হন্দক্তা লোইশিনখিবা এসিয়া কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা টিম অসি লুচিংদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

এসিয়া কপ অসিদা রোহিট শর্ম্মানা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী বেটসমেনশিংগী রেঙ্কিংদা হান্না লৈরম্বা ৪শুবা পোজিসনদগী থাক অনী হাইগৎলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি। বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙম্লিবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বেটসমেন সিখর ধৱাননা এসিয়া কপ্তা পুন্না রন ৩৪২ লৌদুনা খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা ঙম্বগা লোয়ননা মেন ওফ দি সেরিজগী মনাসু ফংবা ঙমখি। মহাক্না পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা হান্না লৈরম্বা ৯শুবা পোজিসনদগী থাক ৪ হাইগৎলগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

নৌনা থাদোরকপা মকোক মথং তাবগী বোল্লিং লিষ্টতা এসিয়া কপ অসিদা বাংলাদেশকী বোল্লর মুষ্টাফিজুর রহমন অমসুং আফগানিষ্টানগী বোল্লর রসিদ খানগা পুন্না জোইন্ট হায়েষ্ট ৱিকেটেক্কর ওইখিবা ইন্দিয়াগী বোল্লর কুলদিপ যাদব মফম ৩ হাইগৎতুনা কেরিয়ীগী খ্বাইদগী ফজবা ৩শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

## শগোল কাংজৈ কৌবনা চুম্ব্রা পোলো কৌবনা চুম্ব্রা

পৃথিবী মফম অমত্তদা ফংদবা সঙাই শা মুৎখিদনবা মাংখিদনবা হোৎনবসিগা লোয়ননা মাগী কৌনবা মীং মালেম শিন থুংনা খংখ্রসনু কৌনখ্রসনু হায়না ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা ইন্টরনেসনেল মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল লমদমসিদা চহিগী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। পাঙথোকপা হৌগদবা নুমিৎ নভেম্বর কুনমাথোই ২০১৮ সু য়াম্না নকশিল্লক্লে। সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপসিদা উগনি ইন্টরনেসনেল মণিপুরী পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৮ সু শান্নবা লমদমসিগী ইম্ফাল সহর ময়াইদা লৈবা মপান কাংজৈবুং পোলো গ্রাউন্দ হায়নসু খংনবসিদা শান্নবা লোয়ননা থেংনগনি উগনি মশান্নসিবু পুক্লিং থৌগৎপা চাওথোকচনিংঙাই ওইবা ৱাতানা চাওরবা পাক্লবা হোরদিংদা ইংগ্রাজি লোলগী মায়েক্না চাওনা ইরগা মৈতে মায়েক্না পিক্তু পিক্না য়াওরগা থাবা কয়া অমা মণিপুর গেব দি ৱাল্ড দি গেম ওফ পোলো, সেভ মণিপুরী পোনি দি ওরিজিনেল পোলো পোনি অয়েংবা লাকপশিংনা উগনি পাগনি য়াম্না নুংঙাইনা ইকোম কোম্না জর জার ইংগ্রজি লোলগী ওইবা ৱাহে পরেংশিং অসি থম্মোয় নুংদা চাওথোকচগনি অর্থ ওইনা মণিপুরনা পৃথিবীদা পোলো কৌবা মশান্না অমা খুদোল তগ্লে হায়না ৱারিনগনি। মরুপ মপাং ইচা ইশুশিংদা তয়াং তয়াংনা ইখন খন্থরুবা তৌদনা । খরা হেন্না অমুক্তং খন্থরুরবদি য়াম্না অকিবা ইকায়বা অমদি ফাওগনি ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা লাই হাক্তক্তদগী কৌদুনা লাক্লবা ইমালোলগী ওইবা মীং অতোপ্পা লোলগী ওইবা মীংদা নাথৈখিদুনা চহি খরগী মতুংদা মাংখিবদি শোইররোই হায়না খন্থরুরবদি। শগোল কাংজৈ অমসুং পোলো চপ মান্নবা মশান্না অমগী মীংনি লান্দে অদুবু লাকচনিংলিবা ৱাফমদি লানবা অমসুং চুম্বা হায়বসিগী ৱাফমদা নৎতে। শগোল কাংজৈ হায়বা মীং অসি পোলো হায়বা মীংদা নাথৈখিবা অসিদা অচুম্বা ঙাক্তা ওইহায়না লৌরগসু চমম্নবা অমদি মাংদা তাদুনা অসুম লৈবগুম তৌরি। শগোল কাংজৈ, মুক্না কাংজৈ লমদমসিগী লাই হাক্তক্তদগী কৌনদুনা শান্নরক্লবা মশান্নাশিংনি। শগোল কাংজৈ লমদমসিদা লায় হাক্তক্তদগী মৈদুংঙু নোংদা লাইরেন পাংখংবনা ফম্বাল কাদ্রিঙৈ অমা মমাং নিংথৌ কাংবাগী হাক্তক্তদগী শান্নরকপা শগোল কাংজৈ কৌবা মশান্না অমা শান্নরকপনা অমুক খাগেম্বা মহারাজ সনা হাক্তক্তদা (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২) নিয়ম খরা হোংদোক হোংজিন তৌদুনা মীতরেৎ তরেৎনা মাইকৈ মাইকৈদা মীচং ওইনা লেপ্পরগা মীওই তরেৎমক্কী মমিং অমমম থোনদুনা ১. পনঙাকপা ২. পনঙাকচং ৩. পল্লক ৪. লাঙজৈ ৫. পল্লক ৬. পঞ্জেনচঙ ৭. পনজেনবা হায়না থোনদুনা শান্নবগী ৱারোল চৈথোরোল কুম্বাবগী লমায় ৩৩ দা মায়েক শেংনা ইরি। নিংথৌ অসিগী হাক্তক্তা শগোল কাংজৈ থোইদোক হেন্দোক্না চাওখৎখি। খৃ ১৬০৬ তা মপান কাংজৈবুং হৌজিক লৈরিবসি শেমগৎতুনা পানা কাং জৈ শান্নবা হৌখি।

**কালাইমো**

শগোল কাংজৈ লমদমসিদা য়াম্না পাম্না অদুমক শান্নদুনা লাকপগী খোঙচৎতা (খৃ ১৮১৯-১৮২৬) চহি তরেৎ অৱা খুন্তাকপা হায়নবা মতম অসিদনি লমদমসিদা শগোল কাংজৈ শান্নবা লেপলুবা বৃটিশ সহেবশিংনা ভারত্তা লোইলম শন্দাকপা মথং মথং লাকপদা মণিপুর য়ৌরক্তুনা মণিপুরদা ইহান হানবা ওইনা বৃটিশ সহেবশিনা শেম্বা টিমগা মণিপুর টিমগা ইম্ফাল মপান কাংজৈবুংদা শগোল কাংজৈ শান্নখিবা চৈথারোল কুম্বাবদা ইশিন্দুনা থম্লি "১২ নি (ফাইরেন শক ১৯৯৬) নিংথৌকাবদা ভিক্টোরিয়াগী তুলিনহাগা কাংজৈ শান্নেএ"। বৃটিশ সহেবশিংনা মণিপুরগী শগোল কাংজৈ য়াম্না পাম্না শান্নদুনা মখোয়না মখোয়গী লোলগী ওইবা মীং পোলো থোনদুনা মখোয়না খুদুম চল্লবা লৈবাকশিংদা মথং মথং শন্দোক্তুনা পোলো কৌদুনা শান্নবা হৌখি। মতাং শ্বাইদগী বৃটিশ সহেবশিংনা শক ১৮৫৯ দা অহানবা ওইনা শিলচরদা য়ুরোপিয়ান পোলো লিংখৎখিবা ৱারি থেংনৈ। মণিপুরীশিংনসু মশান্না অসি লমদমসিগী ওইবা শগোল কাংজৈ হায়না অদুমক কৌনদুনা অদুমক লাকখি। খৃ ১৮৯১ বৃটিশনা মণিপুর লৌশিনখিবা মতমদগী মণিপুরবু কোলোনিয়েল লৈঙাক ওইনা লাকখিবদগী শগোল কাংজৈবু পোলো হায়না অদুমক কৌনদুনা মশান্না হেন্না চাওখৎনবা হোৎনদুনা থবক পায়খৎপা হৌখি।

শগোল কাংজৈ মিং সহেবশিংনা পোলো হায়না কৌখিবদগী মণিপুর ষ্টেট পোলো কম্মিটি বৃটিশনা মণিপুর থাদোক্লম্বা মতুংদা শেমখি। মণিপুর নিংথৌ পানবা লৈবাক অমা ওইনা অমুক খৃ ১৯৪৭ তগী সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯ ফাওবগী মনুংশিদা মতমদুগী লৈঙাক্কী অঙম অথৌশিংনসু সহেবশিংনা কৌনখিবা পোলো হায়বদু অদুমক কৌনদুনা ইংগ্রাজি লোলনা কৌনখিবা মীং অমত্তা শেমদোকখিবদি থেংনদে। ভারতকী ফিবান্নুংদা লৈখ্রবা মণিপুর অমা ওইরকান্দসু মণিপুরীশিংনা মশান্না অসিগী মীংসি করিমত্তা খন্দনা অদুমক পোলো হায়বা ৱাহৈশিনা হেন্না হেন্নাদুম পোপুলরটি ওইবা মওংদা শিজিন্নদুনা পোলো পনদুনা এসোসিয়েসন ময়াম অমা লিংখৎনখি। শগোল কাংজৈ মশান্নগী মীং অশুম্না নথৈদুনা লাকখ্রবসু শেমদোহৌবা য়াবগী তাঞ্জা অমদি লাকখিদবদি নত্তে। চাওখৎলকপা হোংলকপগী মতুং ইন্না মালেমদা কাংজৈ মশান্না কনানা করম্বা লৈবাক্না হৌদোকখিবগে হায়বসিগী খোঙ্গুল লিবা কয়া অমা থোরকখিবা মরমদি শগোল কাংজৈ মশান্নসি য়ুরোপশিংদা অমদি অতৈ লৈবাকশিংদা য়াম্না পাম্ননা শান্নরকপদগী। অসুম্না খোঙ্গুল লিরকপা মতম অসিদা মরাইবক থিরুরবা মীং শগোল কাংজৈ হায়বসি অমুক মরাইবক ফরগদবা মীং অমা ওইনা মালেমগী থাক্তা পুখৎকদবা মতমদা মতমদুগী অখং অহৈশিং খরনা ভাব মেন ইতা তাহৌদনা শগোল কাংজৈ শান্নবা হৌদোকপা লমনা মণিপুরগী নখোয় ওইরো অদুগা মশান্না অসিগী মীং শগোল কাংজৈ হায়বসিমদি রিফাইন তৌদুনা রিনেম তৌরগা বৃটিশ ঐখোয়না খংনবা কৌনবা ইরোল ওইবা পোলো হায়না কৌরগে হায়বসিদা য়ান্নখিবদগী ঙসিদি লমদমসিগী মৈহৌরোলদগী কৌনরক্লবা ইরোলগী ওইবা শগোল কাংজৈ হায়বা মীং অসি চহি ৩০-৪০ গী মতুংদা মাংখ্রগদবা লোল অমা ওইরগনি। শগোল কাংজৈ লমদমসিগী য়াম্না লিরবা ইমারোলগী ওইবা মীং অমনি। অরিবা লোল, অরিবা পোৎ চৈ ঙাক শেনদুনা থম্বা হায়বসি মালেমগী মফম মফম খুদিংদা চৎনরিবা ঙসিগী খুন্নাইরোল অমগী মচৎনি।

মালেমগী ওইনা শান্নবগী খ্বাইদগী ৱাংলিবা ফম্বাক ওলেম্পিক গেমসতা অনৌ অনৌবা মশান্না কয়া অমদি লমজেল কয়ানা লৈতেংলবসু গেম অসি হৌদোকপদা শাগোন্নরক্লবা লমজেল মরাথোন হায়বা মীং অসি ইকায় খুম্ননা ঙাক শেনদুনা কৌনরিবসিগী নুংশিরবা ৱারি লৈরি। মারাথোন গ্রীসতা লৈবা লম অমগী মীংনি।

মণিপুরনা মালেমদা খুদোল তম্বা মশান্না অমা ওইরিবসি শগোল কাংজৈ হায়বা মীংগী মশান্না অসিনা খুদোল তম্বা ওইসি পোলো কৌবা মশান্না অমদি লাইহক্তক্তদগী লৈরক্তে, মতম লৈরিঙৈদা অখং অহৈশিংনা অমুক রিভিউ তৌদুনা লমদমসিগী হৌরকলিবা মীরোল কয়াদা শগোল কাংজৈ হায়না কৌনবা মীং অমা থনমসি মালেম শিন-থুংনবা য়ৌহনসি। ঙসিগী ইয়েক ইরোলগীদমক ঙাক শেন্নবা চেনলি চোংলিবশিংনা লুম্না লৌদুনা মীং অসি মাংখিদনবা হোৎনহৌদ্রবদি মীরোল খরগী তুংদদি শান্না উবা ঙম্বা বৃটিশনা মপু ওইখিবদি শোইরোই। মণিপুর গেভ দি ৱার্ল্ড দি গেম ওফ শগোল কাংজৈ হায়না থাবনা চুমগনি। ব্রেকেট মনুংদা পোলো হাপকেরা হাপলোইরা খন্নবা ফৈ। শগোল কাংজৈ হায়বা মীং লোনসি কনসি।

### *কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ*

## জপানগী নোজোমী ওকুহারা অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে



*নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রবী জপানগী নোজোমী ওকুহারা*

*সিওল, সেপ্টেম্বর ৩০ঃ*

সাউথ কোরিয়াগী কোনুং সিওলদা থা অসিগী ২৫দগী চথ্নরকপা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল জপানগী নোজোমী ওকুহারানা লৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলনা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা ফংবা ঙমখ্রে।

কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী ঝাং বৈৱেনবু গেম ২-১ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ঙরাং শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ শান্নরোই অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই অকানে য়ামাগুচিবু ১৬-২১, ২১-১৭, ২১-১৪ দা থোইরমখি। অমরোমদা য়ুএসএগী ঝাং বৈৱেননা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনবু ২১-১৮, ২১-১৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম জপানগী ওকুহারানা য়ুএসকী ঝাংবু ২১-১০ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুদা ঝাংনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা ২১-১৭ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু গেম অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং গেম অদুগী হৌরকপদা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরম্লবা মতুং লোইশিল্লকপদা জপানগী নোজোমী ওকুহারানা য়ুএসএগী ঝাং বৈৱেনবু লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী গেম অদু ২১-১৬ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দোনেসিয়াগী টোম্মী শুগিয়ার্টোবু ষ্ট্রেট গেমদা থোইদুনা কাঙলুপ অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা ৬শুবা সিদেদ জপানগী কেন্টা নিসিমোটোবু গেম ২-১ দা থোইরমখি। অদুগা ইন্দোনেসিয়াগী সুগিয়ার্টোনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই জোনাথন কৃষ্টিবু ষ্ট্রেট গেমদা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেমদা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা ইন্দোনেসিয়াগী টোম্মী সুগিয়ার্টোবু ২১-১৩ দা লায়না থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা অনীশুবা গেম অদুদসু ইৱা ৱাদনা ২১-১৬ দা থোইরম্লগা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা জপানগী পেয়র অনী শান্নখি। মদুদা ৮শুবা সিদেদ পেয়র হিরোয়ুকি ইন্দো অমসুং য়ুটা ৱাটানবেনা টাকুরো হোকিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৯-২১, ২১-১৫, ২১-১০ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদসু জপানগী পেয়র অনী শান্নখি। ফাইনেল মেটচ অদুদা অনীশুবা সিদেদ পেয়র মিসাকি মাটসুটোমো অমসুং আয়াকা টাকাহসিনা অহানবা সিদেদ পেয়র য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সায়াকা হিরোটাবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১-১১, ২১-১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ৫শুবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী হি জিন্টিং অমসুং দু য়ুনা ২শুবা সিদেদ পেয়র দেনমার্ককী মাথিয়াস খৃষ্টিয়ানসেন অমসুং খৃষ্টিনা পেদরসনবু ২১-১৮, ২১-১৬ দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।